"লিরবা লৈকোলগী খুইরবা লৈরাং
তেকখৎলো কুমগী নোংথোঁ লাক্লে।"

- খুমন্থেম প্রকাশ

# লৈরাংথেম

## ময়া মরিচিকা

**—এল চিত্র**

ময়া মরিচিকা থেংনরুরে ঐদি
ঐগী পুন্সি লম্বেলদা।
খল্লুরে ঐনা নীংলুরে মাবু
লাইজনি নীংলুরে।
লৈঙোই সেক্তা থক্তগী
থক্তোরকপা মঙালদো
মঙাল কোরৌহনবগী।
মরুভূমীদা লমকোয়রুবা
উট নত্তনা করি পাম্বে লৈরি
হুন্দোকপীরম্লে ঐবু লমখাংদা মানা।
পুজরকপা চেংজেলসু
লোইশিনখ্রে ঙসিদি
অরাম খৌরাং মৈশা লাংলে
পুন্সি কুরুক্ষেত্রদা।

## লৌশিং মৈরা

**—ডা. অকোইজম ইবোহল**

শুক্ল মল্লবা তাইবঙনি
তিঙ্খাং তুম্বৌনা থনবনি
পুন্সি খোঙচৎ লায়দবনি
মীনম শরৌ লাংথাকপনি
তাকপী তম্বীবা ওজানা
লানবীগনি পাক্ল ঈপাকসি;
নোংলৈ নুংশিৎনা কনবনে
ঈথক্লা ঈপোম হৌবনে
কদায়দনো ঐনা চৎলিবা
কদোমদনো ঐনা হিহোল্লিবা
শাবীয়ু হিনাও নহাক্লা
ওইবীয়ু ঐগী লৌশিং মৈরা;
খঙজদে তাইবঙগী লোনচৎসু
হৈজদে মীশুম লাইৱাসু
চীনগা খূৎকা মান্নবা ঙমজগে
নুংসু পানসু অমত্তা ওইজগে
লমজিং লমতাকপীয়ু ওজা নহাক্লা
খুজেং পাল্লোইনবীদুনা পন্থুং য়ৌনবা;
কাউজরোই নহাক্কী নতিক নগুন
ফুদোংলবা সনাগুম লংনা ঙাল্লিবা,
শকচগে শোঞ্জগে মিংখৈ অথোইবা
থাবদা লোইবা খন্বা নাইররোইদবা,
থম্মোয় লাইয়ুমদা লাৎতুনা থমজগে
থৱায়গা হকচাংগা শেৎন-খাইনদ্রিফাও।

## ঐগী মীৎমাংদা উহৌবা

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

করিগীদমক মখোয়শিং
অদুবু নীংশিংলুরিবা,
খুন্নাই অসিদা মখোয়গী
চন্নফম অমা লৈত্রবরা।
মশা মশাগী মমিংশিংগা
লোয়নরদুনা অঙাওবা, অঙাওবী
হায়দুনা খুন্নাইনা মখোয়শিংবু
লোয়নৈ কৌনৈ ঙাঙনৈ।
কুইরবগী তুংদা নোংমা
ইঙেন থাগী নোংজু অমদা
ঐগী মীৎমাঙদা উহৌবা
খঙহৌবা খরদি নীংশিংলকখি।
ফিজেৎ, ফিগায় শেৎতুনা
মপুক লাম্বগী অৱাবা কোক্লবা
য়ূমথোঙ খুদিং চঙলম্বা
ঙসিদি কদাই;
মখোয়শিং অদো
উখিদরে অমত্তা
তাইবঙ শীন্থা লোইরদুনা
অতোপ্পা তাইবঙ অমদা লৈখ্রবরা।

## নোংমদি ঐসু হিংলকখিনি

**—কৈথেল্লাকপম খুমনঙম্বা**

শিদনবা হোৎনবদা
হিংবা কাউরবা
পুন্সিনি ঐগী
হিংলবা নখোয়গা
মান্নরুনি করম্নদি।
মচু ইশি শিথরবা
মকশিল্লবা পুন্সিসিগীসু
লৈতবদি নত্তে
মঙলান অমখক
'নোংমদি ঐসু হিংলকখিনি'।

## ওজাগী নুমিৎনা ঙাম্ন্থোইরে

**—রাজকুমারী চিত্রলেখা**

সেপ্টেম্বর ৫, ইন্দিয়াগী ২শুবা প্রসিদেন্ট ওইবীরম্বা
ডা. এস রধা কৃষ্ণনগী মপোক নুমিৎনি
মহাপুরুস অসি ওজা ওইবগী শিনফমদা হৌরকপগী
মহাকপু ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা পাঙথোকপনি
সরস্বটি পুজা নুমিৎতসু ওজাসিবু পুজা তৌনৈ
ওজাগী শিনফমসি আ মথাই থায়না, থায়না
মতমদগী হৌদুনা অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গৎতুনা লাক্লি
ওজা-গুরু, ওজা লাকই ফান, ফিদা থাউ হায়নৈ
ওজাশিংনা চহী লিশাং শিৎনা ছাত্রশিং মহৈ মশীন
লাইরিক-লাইশু, থৌগল্লোন চৎনবী তম্বীবগী মহয়
ওজাগী নুমিৎতা খনগৎলবা ওজাশিংদা মনা-মথুম পী
ইকায়খুম্ননৈ লোয়ননা অখন্নবা খুদোংচাবসু পীরি
ওজাগী শিনফম মতম লৈবা খিবিক্তা থাক ৱাংসনু
লাই-গুরুগা চাংদম্নবা য়াবা ফিদাদা ফমসনু
তুংগী মীরোলগী অফবা খুন্নাই শেম্বীসনু
ওজাগী নুমিৎ, অঙাংগী, নুপীগী মখল মখা লৈবগুম
ছাত্রগী নুমিৎসু লৈহন্নীংই
ওজা-গুরুগী মফমদা মহৈরোয় খুন্নাইনা নীজরি
ওজাগী নুমিৎনা ঙাম্ন্থোইরে
ওজা-গুরুগী নুমিৎনা য়াইফরে
ওজাশিংবু হন্না হন্না খুরুমজরি।
কোভিদ-১৯ ফ্রী ওইনবা তাইবঙ মপুদা থৌনিজরি।

## কবিরগী ঈশৈ (৯২)

করিবু কান্নরিবা
মীওইবগী হকচাং লন-থুম্না
মহাক্না শারিবা য়ূমজাওসিনা লৈননবা?
কাইনথংদা মহাক্না লৈত্রবদা
পোৎলোইগনি মহাকপু লমলেম অমদা কান্নদ্রবা;
অশিবা হকচাংনা মহাক্কী চাকখিগনি
শীঙ ওইনা চিত্তাগী শল্লাংনা অকংবা উনাগুম;
কবিরনা হায়রি, শিরবদা নহাক্না
করিসু লৈরোই তাইবঙপানসু নহাকসু।
(কবিরগী ঈশৈগী ইংলিস ভর্জনদগী শ্রীভক্তনা
মণিপুরীদা হন্দোকপা)

## মোরোক চিনবা

**—রোমি তখেল্লম্বম**

মিহৌরুরেদো কল্লক্লুরেদো
তম্লিংলুরে মখোয়গী মতৌ
খল্লুই য়াম্না লায়না য়ারমদৌ-মান
চীনগা খূৎকা তোঙান-তোঙান
পূক্লিংদনা তকসি-শোন শীংনদুনা
ইগনি ঐসু নখোয়গুম্না, পন্দোল্লোম্না
চেবাং কয়া লোইখ্রে, থল্লে চেগুমতনা
নুংশিবীবা কনানা থৌগৎপীরম্মী পূক্লিং
ইহুল খঙবা কনানদি, খোইরুম মিনোক
য়াতোন লংই, খোঞ্জেল ফজৈ-
চিঠি ইবা য়াম্না হৈরকই অদুঙৈ মতম'মদা
পংই ই, পংতৌ তৌ, ময়ারমদ্রেদনা হীরমসিদদি
অমুক'নিরক মীমাঙ থোক্লুরে
শঙ্গ-পঙ্গগী মায়কৈদগী
পংশাঙ শাংদোকউ ময়ারম্লোইদা নখূত্তো
পাখো নৈনখো মমূৎ তানা হান্না
মশাগী লম্বেল তোপ্তোপ্না থোল্ল চৎখ্রবশিংনা
পৈদুনা নঙগী, ঐগী পূন্নমক্কী থম্বীরম্লবা
পূক্কৈনুংদগী চিংথোক-চিংথোক্লদুনা
থলহনখো নঙগী হাঙলা ৱাখলদু
ফাহনখো শারেপ মপূং নীংথিনা
তাহাখিনু ফাথখো নঙগী লমহেল্ল পূক্লিং
থন্দবা পুন্না মখোল থোকপগুম
লেংমান্নবনা ঙমখ্রে, ঐসু ঙম্নি মতৌ তম্বদি
অরেম্বদা তাদুনা তোক্কনি 'মোরোক চিনখিবগী থৌদৌ।

## নমিং হোংখ্রনি

**—বীমোলচান্দ**

অহলশিংনা লাচনবীরম্মী, সিসু পাউরৌনি
"চেকশিল্লগা চেক্কী য়ূম শাই" তরাইনফদে
কংলৈচাশিং কাউরবরা পাউরৌ'সিমসু
"খোঙ্গ্রাই শৎলিঙৈ ষণনা ৱাই" অচুম্বমক্লি।
অচৌবসু-মচাসু, লায়রবসু-ইনাকখুনবসু
কাউফদা পাউরৌদা করেম্নরিঙৈ, হৌখ্রেদো;
ঙসিতদা মিকপ থোক্লকপগুম মঙগ্রেম্নরি
হৌখিবগী মঙলান্দুবু... মঙলান মশক লাকশিল্লি।
চেকশিন্দবনা তুংগী তক্সি ওইদুনা লৈরগা
মাঙগী লম্বী কাউফদে - মীওইপোক্লি,
নপান ফরিঙৈ পোঙজরম্বা, নোকচরম্বা
খোঙফম অমত্তং শোয়বদা কপ্লদি
নমিং হোংখ্রনি নঙগী 'অয়ম্বা' কৌখ্রনি।

## চীংগী চনুরা ওইবী-ও

**—চিঙ্গাংবম সঙ্গায়জাওবী**

তরামরিনি পানবা মেরাগী
ময়েক শেংলবা থাবলগী ঈপোমদা
নোংইন চেক্লা অনীনা
কোয়পাই কোয়পাই পাইরদুনা
লাংমিন্নরি থাজ ঈপাল
ঈয়াইদা হৌজবী থরোসু
য়েংজদুনা থাজ মাতবু
শাৎলি লৈকা ফন্না,
মীৎ উইশিনবা য়াদ্রবা ঐনা
য়েংলি কুম্মৈসিবু নুংহিক্লনা।
অহিং তাংলৌ অথেংবসিদা
তারি পাখঙ ঐগীনাপদা
অথাপ্পা চীংজাউ নাপোমদা
উজাউ উরেল উশাদা তোংদুনা
মশাবী কায়ন মৈচাক্লা
তাম তাম খোংলিবী
তাম্না কৌবী চেক্লাও!
পন্থৌ চৈরাক কনখিবনা
চৎনবী শম্বল খাখিবনা
লাপ্না তাম্না হুন্দোকপীরল্লবী
ইশানৌ নঙবু নুংশিবী
ওনখ্রবরনে চেক্লা তাম্না?
কোরৌ শীংবুম য়াল্লক্লে
নুজা চেংলৌ উরক্তবা
ৱারৌগনু ইশানৌ
মান্নবা মৈচাক পুরিবী
লোইবী চনুরা ওইবীও!
করম খাঙলিগবা কায়না মৈচাকসে,
হয়েংমুক্কী মপোক্তা
পোকমিন্নসিকো নঙ ঐ
মান্নবা ফুরুপ অমত্তদা
খূজেং পাল্লোইনদুনা
ঈচেল পূন্না চেম্থমিন্নসি
ঈতিনফম ঈপাক তম্না।

মতম মতমগী ৱাখল

# রেডিও লীলা অমদি মোইরাংথেম ইনাও





ড্রামা ইবা প্লেরাইট অমা ওইনা সেক্সপিয়ারগী মমিং তাদবা লৈত্রে। ঐখোয় মহাক্কী মশক উখিদ্রি। কালিদাসকী ফজরবা অইবা কয়া অমসু ঐখোয়না পানরে। মহাক্কী মশক ঐখোয় খঙদে। ইন্দিয়াগী মনুংদা মতম অমগী মশক নাইখিবা অইবশিং মোহনরাকেশ,শরতচন্দ্র, বঙ্কিমচন্দ্র মশক নাইবা কয়াগী মমিং ঐখোয়না তারি। মশক নীংথিনা খঙবা, উবা ঙমখিদে। মখোয়গী অয়েকপা ফোটোশিংদা উবা নত্তনা হকথেংননা উহৌবা অমত্তা নত্তে। ঐখোয়গী মণিপুরগী ওইনসু মমিং লৈখিবা প্লেরাইট য়াম্না লৈখি। ঙসিগী মীরোলনদি উবা ফংদ্রবা মরুওইখিবা মীশকশিং সোরোখাইবম ললিত, জি সি তোংব্রা, হাওবম তোম্বা, অঙাংহল অসিনচিংবা কয়া লৈরি। মতৌ অসুম্না মিং ওইনদি য়াম্না তারগা মশক নীংথিনা উবা ফংদবা ঙসিগী মীরোলদা হিংলিবা অইবা প্লেরাইটশিংসু লমদমসিদা লৈরি। অতৈ য়াম্না পাক চাউনা কোনশিল্লুদনা ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালগী রেডিও লীলা ইবশিংগী মরক্তা মোইরাংথেম ইনাওগী মিং তাদবদি লৈরল্লরোই খঞ্জে । মিংদি তানরে অদুবু শক্কা কোন্নরা মোইরাংথেম ইনাও খঙদবা উদবা মীসু হৌজিক য়াম্না লৈরি । লম্বী লমজাওদা থেংনরমগনি অদুবু শক খঙদবনা য়েংনরমলোই ॥

ঐখোয় মীওইবসি ৱাখলনা য়াম্না শাগৎকল্লি । মোইরাংথেম ইনাওগী রেডিও লীলা তারুবা অয়াম্বনা মহাক্কী লীলাশিং অসি মিৎতা উদুনা ৱাখলনা শাগৎনরগা অশেংবা থোকপা থৌদোক অমমমগুম লৌনবসু লৈখি। কনা অমনা মহাক্কী লীলাশিংদা ঙাঙনরিবা ৱাহৈ ৱাতাদা নুংঙাইজৈ,পেঞ্জৈ। কনা অমনা ৱারীদা, কনা অমনা শক্তমশিং অদু মখোয় মশানি হায়না খঞ্জে। অসুম্না মাগী মাগী ওইবা ৱাখল অমমমদা শাগৎনরগা মোইরাংথেম ইনাওগী লীলাগী মহাউ লৌনৈ। মোইরাংথেম ইনাওগী লীলা তাবীখিবশিংনা নুংঙাইতে, ফজদে হায়বা মী হৌজিক ফাওবগী তাখিদ্রি ।

মোইরাংথেম ইনাওগী লীলানা নুংঙাইরকপদা লীলাগী মথংদা লীলা ইরিবা অইবগী ৱারী শানবসু য়াওই। মহাক কদায়দগীনো, মশক করম তৌই, অইবগী ইমুং মনুং,মহৈগী থাক,পূন্সি মহিং খঙনিংনা হংনবা মীসু লৈরি। উনিংবা খঙননিংবা, ৱারী শানিংবা মসিদি হৌনশানি। খুদোং চাবা ফংনদবনিনা মতাং অসি য়ৌরকপদসু ঙসাই হায়জখিবা ৱাখলনা শাগৎপা হায়বদু অদুম তৌই। মোইরাংথেম ইনাওগী লীলা তারুবশিংনা হায়নৈ মদুদি মোইরাংথেম ইনাওসি নুংশিবা কায়নবা মীশক্লি । কনা অমনা হায়নৈ মহাকসি চিথি ইবা য়াম্না হৈরমগনি। খরনা অমুক, মহাক্লা ইরিবা লীলা অয়াম্বা মহাক্কী মশাদা থোকপনি, মখোয়গী লৈকাইদা থোকপনি..মখল মখলগী ৱাখলনা শাগৎলগা ময়াম্না ৱারী শানৈ । অইবা মশা উন্নরগা নোংমতা ৱারী শানবদি কনাসু লাকখিদে । কনাগুম্বা খরনা অমুক মোইরাংথেম ইনাওগী রেডিও লীলা তাবীরগা অইবা অসি মশক মতৌ ফজবা,মশা নানবা, কোট শুৎ-তাই পুনবা পাখং, মরল মথুম লৈবা অমা ওইনসু শাগৎপী । শাগৎপদদি মনীং তম্মী, য়াদবা লৈতে । ময়াম্না নীংলিবা শাগৎলিবদুগী ওন্ন-তৈনবদা, মোইরাংথেম ইনাওগী পূন্সিদি হৈসু নত্তে,লৈসু নত্তে। পূন্সিগী অৱা নুংঙাই অনীগী মরক্তা অয়ুকসু ওইদা নুংথিলসু ওইদা শক্তম অমদা মোইরাংথেম ইনাওনা হিংলি ।

মোইরাংথেম ইনাওবু খঙবীবা মরুপ মপাংশিং অমদি লৈকাইগী মীশিং, নহাসু অহলসু পূন্নমক্লা 'তা-ইনাও' হায়না কৌবী । মিঙ্গৌ অসি নুংশিবগী কৌবীবনি । তা-ইনাও ময়ামগীনি। তা ইনাও,উরিপোক নিংথৌখোংজম লৈকাইদা লৈ। হৌজিক মশাগী চহী ৭৬ চংলক্লি, মরিফু তানখৎলক্লি । অহলগী শীংদা চল্লবনি অদুবু অহল ওইদ্রি । ইঞ্জিন পানবা গাড়ি থৌবা হৈতে, লৈসু লৈতে । মথোল লোঙবা চেক্কী য়ূমদা লৈতে । খোঙনা অয়াম্বা চৎলি। অচম্বা পূন্সিদা হিংলি । ইবা অসিনা পোথাফম অমদি শিনফম ওইরি। হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎ অগষ্ট ২৯দা 'ইখল', ইরমদম খোর্জে লূপনা শিনবীদুনা লাংমৈদোং দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী হোলদা তা-ইনাওগী রেডিও লীলা ২৬ কী অপূনবা লাইরিক 'লোলথোক্তবগী লোন' কৌবা চেনা ৮৩৭ পানবা ড্রামা লাইরিক অমা ইকায়খূম্নজরিবা ডা. য়ূম্নাম রাধেশ্যাম, এম এল এ, হিয়াংলমনা ফোংদোকপীখ্রে। মখা মাইকৈদা লৈবিরিবা 'ইখল' হায়রিবা ইরমদম খোর্জে লূপনা মোইরাংথেম তা-ইনাওগীদমক পাংবীরিবা মতেং অসি অচৌবনি। তা-ইনাওগী রেডিও লীলা অসি রেডিওদা শান্নগদবা ড্রামা মশীং ১০০ ফাগদবা অমত্তা ঙাইবা কুইরে হায়না অইব মশানা ফোঙদোকপা লৈ । শান্নদ্রিবা অমদি ফোংদ্রিবা লীলা ৩০ হেন্না খুত্তা লৈসু হায়রি। মরুওইবা হান্না শান্নখ্রবা রেডিও লীলা খরদি লাইরিক অসিদা ফোঙদোকপদা য়াওরে ।

রেডিও লীলা মশীং য়াম্না ইবসি মণিপুরী খোরিরোলদা জি সি তোংব্রানি । মথং অসিদি তা-ইনাও ওইগনি খল্লি । হন্দক ফোঙলিবা রেডিও লীলাশিং অসি নত্তবা লীলা শান্নদ্রিবা য়াম্না লৈরি হায়না তাকপীরকই । মোইরাংথেম তা- ইনাওগী ড্রামাশিং অসি রেডিও লীলা ওইনা তাবদা ফজরিবসি ঙাঙনরিবা লীলাগী লোল অমদি ৱারী অসিনি। ঙাঙনরিবা লীলাগী লোল অসি থোৎলি। ইলায় লায়না ইমুং মনুংগী ঙাঙনবা লোন্দাদা চম্না ঙাঙনহল্লি। রেডিও লীলাগী মরুওইবদি ঙাঙনরিবা লোলনি। মসিমক তা-ইনাওনা খঙবদগী রেডিও লীলাগী মশক নাইবা অইবা হায়বদু ওইখি। ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালনা থৱায় য়াওনা অঙনবা মতমদগী পুথোকলকপা থৌরমশিংগী মনুংদা রেডিও লীলা অসি অমনি। তা- ইনাওনা ওল ইন্দিয়া রেডিওগা শম্নরক্লিবসি চহী নিফু হেল্লে য়াখ্রে তানখৎলক্লবনি। রেডিও লীলাদা অথোয়বা মনা কয়া ফংখ্রবনি। মোইরাংথেম তা-ইনাওবু রেডিওদা মীয়াম্না শক খঙনরকখিবা অইবা অমা ওইরক্লবগী ইনোৎ পীখিবসি তা-ইনাওগী লৈকাই অমত্তদা লৈমিন্নরিবা নিংথৌখোংজম তামো মেধাজিৎনা অহানবা ওইগনি। মহাক্লা রেডিওদা পুশিনবদগী মতম অদুগী ড্রামা প্রড্যুশর শগোলশেম ইন্দ্রকুমারগা খঙনখি। রেডিও লীলা ইবা অমা ওইরকখিবদা শগোলশেম ইন্দ্রকুমারগী অচৌবা মতেং অমদি ৱাখল য়াওই । মহাক্লা উন্নরুবদগী অনৌবা রেডিও লীলা কয়া ইরক্লবগী মায়োন চোংলকখি। লীলা কয়া লেপ্তুনা ইরকখি। রেডিও লীলা ইবসি অরায়বা অমদি নত্তে। হৌজিক্কী মতম অসিদদি রেডিও লীলা ইবসি পংলৈ লৈনরে। মতম অমদি য়াম্না চেকশিল্লি। অদুনসু মতম অমগী রেডিও লীলাশিংদা ফজবা লীলা মশীং য়াম্না লৈখিবা ওইরম্বা য়াই ।

মোইরাংথেম তা-ইনাওগী রেডিও লীলাগী অপূনবা লাইরিক অমা ফোঙলকপসিনা খোরিরোল অমা ওইনা নৈনবা য়াবগী মফম অমা ফংলে । রেডিও লীলাগী অফোঙবা লাইরিক তাঙনা থোক্লি । হন্দক ফোঙলিবা রেডিও লীলাগী লাইরিক অসি হান্না ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালনা মশীং খঙদনা শন্দোক্তুনা তাখ্রবা, অতাবশিংগী নাকোংদা চিনফা পুদুনা ঙংদুনা লৈরবা ড্রামানা অয়াম্বনি। হান্না মমিং লৈখিবা অইবগী রেডিও লীলাশিংগী মরক্তগী 'চৎলেদো ঐদি থম্মোয়নুংদা মৈগী চীং পুদুনা, লোন থোক্তবগী লোন, কৈদৌঙৈ লোইগনি ইমুংগী লাঞ্জাউসে, অনুরাধাপুর আশ্রমগী রাজকুমার, অশি হৈবোং, হিংনিংদ্রে মোৎলবা সমাজসিদা, পূন্সি মথেল, নোংঙাল্লবসু থাবল্লে মনম,ঐখোয় মীওইবশিংগী মরক্তা, অমদি লমঙানু ' অসিনচিংবা অমদি অতৈ রেডিও লীলা য়াম্না য়াওরি। রেডিওদা ড্রামা অমা ওইনা তাবদা ফংখিবা মহাউ অদু লাইরিক ওইনা পাবা ফংদুনা খোরিরোলগী ওইবা মহাউ অমসু অমুক নৌনা ফংগদৌরিবনি। হৌজিক্কী মতমগী মীরোলনা পাবা ঙম্নবা মৈতৈ ময়েক অমদি বংলা ময়েক অনীমক্তা পুথোকপা লাইরিক্লি। লাইরিক অসি চেনা মশীং য়াম্না পানবনা খরদি থারে।

অথাবা,মপূং ফাবা লাইরিক অমা ওইবগা লোয়ননা হৌরক্লিবা ঙসিগী মহৈরোইশিংনা রেডিও ড্রামা অমা অৱাংবা থাক্তা (হয়র ষ্টদি) নৈননবা, থিজিন খোৎচিন্দুনা রিসার্ছ তৌবা য়াবা অমা সুংশোয় শোয়দনা লাইরিক অসিনা ওইরগনি। অসিগুম্বা লাইরিক অমা ফোংদোক্লবা হোৎনরিবা অইবা অমদি ফোঙদোকপীরিবা ইরমদম খোর্জে লুপ (ইখল) লাংমৈদোংনা পায়খৎলিবা থৌরাং অসি মতাং চানা থোকই।

ঙসিগী মহৈ তম্লিবা রিসার্ছ স্কোলারশিংনা মণিপুরী খোরিরোলদা মখল মখা কয়াগী হীরমদা মখোয়গী নৈন-মিৎয়েং থম্নরি। ঐখোয়না হঞ্জিনবা হীরমদা নৈনবা মতম ওইদ্রে। অনৌবা পোৎশক অমা থিদুনা চঙশিনবা মতম ওইরে । অইবশিংনা লৈরিঙৈদা হকথেংননা উন্নহৌদুনা ৱারী ৱাতায় শান্নহৌবা, ৱাখল্লোন খঙহৌনবা হৌরক্লিবা মীরোলদা পাউজেল পীনিংঙি। খুৎ থেক্তুনা য়েংবদা মমল য়াম্বা অহল লমন, অইবা অইবী লৈশিল্লকত্রে । মসি খঙনা ঙসিগী মহৈরোইশিংনা থিজিলহৌবা খঙহৌবা, উন্নহৌনবা হোৎনবনা তুংগী লল ওইগনি। মোইরাংথেম তা-ইনাওগী রেডিও লীলা অসি খোরিরোলগী পোৎথোক ওইনা পুথোকপীরক্লবনিনা অমুক্তং মহৈরোয়শিংনা পারগা নৈনহৌরগদি, ঙসিগী খুন্নাইসিগী মশক অমা খঙনবা থিবদা মাইকৈ অমদি খঙবা ঙম্লগনি ।

*—মাখোনমনি মোংসাবা*

# রাগ দরবারী-১১১

**হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা**

ৱাফমশিং অসি 'গোদান' দা ফাওবা ময়েক শেংনা ইদে অমদি মুম্বাইগী ফিল্মশিংদসু কৃষনচন্দর অমসুং খ্বাজা অহমদ অব্বাসপু কিবনা মরম ওইদুনা প্রোগ্রেশিবকী ৱাখল্লোলদা চাদা ৫০দি মমিৎ তাংবা ওইবনা নৎত্রগা য়েংথিনবনা মরম ওইরগা তশেংনা ফিল্মশিং অদুদসু উৎতে। মরম অদুনা মহাক্লা ময়েক শেংনা হায়বা মথৌ তাই মদুদি, ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা শেংদোকপগী থবক কলাকারশিংগী থবক নত্তে, অদুবু ...।

অসিগুম্বা ৱাফমশিং অসি খুঙ্গংগী মীওইশিংনা হেক খঙলকপদা গাউ পঞ্চায়টকা লৈনরিবা মরি অসি শুপ্নগী লম লৌথোক-লৌশিনবগী মতাংদনি হায়বা খঙলকখি। মখোয়গা থংনরিবা লৌফমশিং মখোয়গী ওইবা য়াই অমসুং কনাগুম্বা মশক খঙদবা লৌমী অমা শিরবদি লৌফম অদুগী মপুসু ওইরে হায়না লাউথোকপা য়াই, খঙলকপদগী চম্না নুংশিবগী ৱাখল্লোলশিং অদু অমুক্কা হেন্না ময়েক শেংলকই। মদুদগী ভোটরশিং অদুনা লমবু নুংশিবনা গাউ পঞ্চায়টকী মায়কৈরোমদা অমদি গাউ পঞ্চায়টকী নুংশিবা অদুনা প্রধান ফমগী মীরেপশিংগী মায়কৈরোমদা অমদি মীখলগী মতাংদা মখোয়গী মকোকশিং অদু চিন্নরকখি। মদুগী মতুংদা মখোয়গী মমাংদা কোক্কী ওইবা মথা কয়া অমা শাবা হৌরকখি। মতৌ অদু চিনানা লান্দারকখিবা মতমদা আচার্য কৃপলানিনা লৈবাক শিনবা থুংনা মথা শাহনখিবগুম্বনি। মখোয়না খল্লি মদুদি লেংদনা তুমিন্না লৈবনা কান্নদে, মদুনা শোঞ্জিল্লকপা হায়বদু ওই অমসুং মাঙজবসু ওই। করিগুম্বা নখোয় ঈংনা-চিক্লা লৈবা পাম্লগদি রিপুদমন নৎত্রগা শত্রুঘন অমগী মনাক্তা হেক্তা য়াওশিল্লু। ইথন্তা লেংদনা লৈনবা হোৎনগনু, নৎত্রবদি মায়কৈ অনীদগী লান্দারক্তুনা হাৎপিখিবসু য়াই।

ইন্টরনেসনলগী থাক্তা লৈরিবা ন্যুট্রেলিজম প্রোব্লেম অদুবু ঐখোয়না তুমিন্না অদুমক খাংখি। মরমদি ঐখোয়না অসিগুম্বা প্রোব্লেম কয়া খাংখ্রে। অদুবু রামনগরদা লৈবা মীশিংনা চাওথোকচৈ মদুদি মখোয় মশাগী অফবা-ফত্তবা য়াম্না খঙজৈ। মরম অদুনা মখোয়না প্রোব্লেম অদুদগী লাপথোকপা অফবা নত্তে হায়না খল্লি। অসুম-অসুম ইরাং হৌরকপনা খুঙ্গং অদুদা কাংলুপ অনী থোক্লা খায়দোকখ্রে। কাংলুপ অমনা হাংদুনা শীজিন্নদনা লৈরিবা লম অদুবু য়েম্থোকপগী থবক অদু রিপুদমননা তৌহনবা পাম্মী অদুগা অনীশুবা কাংলুপ অমনা অদুগুম্বা থবক অসি শত্রুঘনসিংহনা ওইনা তৌরবদি হেন্না কলাকারি ওইবা মওংদা হেন্না ফজনা তৌগনি হায়না লৌই।

মীখল পাঙথোক্কদবা শুপ্নগী নুমীৎ নীনি খক্তা ঙাইশিল্লকপা মরম্না কাংলুপ অনী অদুগী মনুংদা চরাংনবা থৌদোক কয়া থোকপা উবা ফংই। মীয়ামশিং অদুনা 'ইনক্লাপ জিন্দাবাদ' কী খোল্লাউ কন্না-কন্না লাউরম্মী, মায়কৈ অনীগী মরক্তা মমা-মচনগী ফজরবা নুংশিবা ৱাহৈ কয়া লাউর-লাউরদুনা কন্না ঙাঙনৈ। মশা-মশাগী চৈশিংদা থাউ ফজনা তৈনদুনা থল্লে, শীংজং-য়োমপাকনচিংবসু ফজনা ফেংদুনা উগী মখোকশিংদা ফজনা ফিট তৌনরে। থৱায় মখুবাক্তা হাপ্তুনা গঞ্জা থক্লবা কংকরনা মখুৎ নামা অমদা পায়নৈ। অদুম্না থৌরাং কয়া শেম শাবা লোইরবা মতুংদা রিপুদমনসিংহনা মহাক্কী মনাউনুপা সর্ভদমনবু কৌদুনা য়াম্না নুংশিনা হায়, করিগুম্বা লাল অসিদা ঐ শিরবদি অমসুং ঐগা লোয়ননা লাম্থেংমিন্নগদৌরিবা মীওইশিংগী মনুংদা মী ২৫ শিরবদি নহাক করি তৌগনি?

সর্ভদমনসু উকিল ওইবগী পাস তৌরবা মীশক অমনি। অদুবু মহাকসু মতম অমদা মমিং লৈর-লৈরবা উকিল কয়া 'বালিষ্টর' ওইরবশিংসু উকিলগী থবক থাদোক্লদুনা পোলিটিক্সতা চংনরকখি। মতৌ অদুম্না সর্ভদমনসু উকিলগী শিনফম থাদোক্তুনা চহী মরিরোমগী মমাংদগী লোকেল পোলিটিক্সতা চঙলকখিবনি। খেন্নবা অমা হায়রগনা নিংতম্নবগী লানফমগী রাজ নিতিদা চঙলকখিবা য়াল্লবা উকিলশিং অদুগী শেন্দান লম্বী কদাইদগী লাকপনো হায়বা মীয়াম্না খঙনরমদে। অদুবু সর্ভদমনগী হীংনবগী শেন্দান লম্বীদি পূন্নমক্লা খঙনৈ অমদি পূন্নমক্লসু মাগী মওং মতৌ অদুনা শকনৈ-শোন্নৈ। মহাক্কী মনাক্তা গ্যাসকী সিগরি ১০ হেন্না লৈ, মদু লুহোং-খোংদোংবগী মতমদা মীয়াম্না গ্যাস সিগরিশিং অদু ৱাইদুনা শীজিন্নহল্লি। লোয়ননা মহাক্কী মনাক্তা নোংমৈ অনী অমসু লৈরম্মী, নোংমৈ অদুসু হুরান-চিন্থিগী মতমদা শান্দোকপগী থবক তৌই। অদুগুম্বা থবকশিং অদুদগী ফংলকপা শেলনা য়াম্না কোম্না সর্ভদমননা লোকেল রাজ নিতিবু পাঙথোকপা ঙমই। গ্যাস সিগরি অমদি নোংমৈশিং অদু য়াম্না লাপ্লা-লাপ্লা ৱাইনৈ। মদুনা মরম ওইদুনা মহাক্লা মরুপ-মপাং অমদি তোঙান-তোঙানবা মীওইশিংগা অফবা মরি কয়া অমসু থম্বা ঙম্মী। মদুগী মতুংইন্না সর্ভদমনদা ৱারী-ৱতাই শাবগী কনফিদেন্স লাকখি।

ময়াম্বগী ৱাফম অদুগী পাউখুম সর্ভদমননা কনফিদেন্সতা য়াম্না ফজনা খুম্মী। মহাক্লা হায়, "ইয়াম্বা, করিগুম্বা নঙ অমদি নঙগী মীওই ২৫ লানফমদা শিরবদি অতোপ্পা মায়কৈ শত্রুঘন অমদি মাগী মীওই ২৫সু শিগনি। হিসাব চপ মান্নগনি, মদুগী মতুংদা অদোম্না হায়বা ৱাফমগী মতুংইন্না তৌ হায়বা থবক অদু তৌগনি।"

রিপুদমননা সর্ভদমনবু কোনশিন্দুনা কপ্পবা হোৎনরম্মী। অদুবু করিগুম্বা ফিল্মগী এক্টর নৎত্রগা নেতা ওইরম্লবদি য়াম্না ফজনা কপ্পা ঙম্লমগদবনি। হায়বদি প্রেক্টিস তৌবা ৱাৎপা মরম্না রিপুদমননা কপ্পবা হোৎনবা অদু মায়পাকপা ঙমখিদে। সর্ভদমননা মহাকপু তপ্পা মশাবু লাপথোকচৈ অদুগা হায়, "তোকপীরো। ২৫/২৫গী হিসাব চপচানা তৌরবগী মতুংদা করি তৌ হায়বনো হায়বিয়ু?"

রিপুদমননা হায়, "খল্লো, মদুগী মতুংদা প্রধানগী ভোট তৌরক্লবদি নহাক প্রধান ওইবা পাম্লবদি নহাক করি তৌগনি?"

সর্ভদমননা চে অমদি কোলোম পুরক্তুনা হিসাব তৌরদুনা হায়রকই, "ইয়াম্বা, করিগুম্বা নঙ অমদি শত্রুঘনসিংহগা লোয়ননা মীওই ২৫/২৫গা লোয়ননা শিখ্রবদি ঐগী মায়কৈগী মীওই অমা হেক্তা অতোপ্পা মায়কৈগী মীওই ৫০ হেন্না ভোট ফংগনি। মরমদি খুঙ্গংগী ভোটরশিংদা মায়কৈ অসোমদগী তশেংনা শিবা কিদবা মীওই য়াল্লবদা মীওই ২৫ থোক্লক্কনি। অদুগা ঐখোয়গী মায়কৈদগীনা মীওই ৪০ হেন্না লৈ। অসোমদনা মীওই ২৫ শিখ্রে হায়না খল্লবদি মখোয়গী মীওই খুদিংমক লোইনা শিখ্রে হায়না লৌবা য়াই। অদুগা ঐখোয়গী ওইনদি মীওই ২৫ শিখ্রবসু ঐখোয়গী নাক্তা মীওই ১৫দি হেন্না লৈগনি।"

মীখল পাঙথোক্কদবা নুমীৎ হুম্নি ৱাৎলিঙৈদা সব-দিবিজনেল মেজিষ্ট্রেটকী কোর্টতা রিপুদমননা শত্রুঘন অমসুং মহাক্কী মীওই ২৫গী মায়োক্তা এপ্লিকেসন অমা ইরদুনা হায়, লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা মী অশি-অনা য়াওগনি হায়বগী চিংনবা লৈ। মরম অদুনা মীখল ঈংনা-তপ্পা পাঙথোক্লবগীদমক পুলিসনা মতিক চানা ঙাক শেন্নবা থৌরাং তৌবিয়ু হায়খি। মদুগী পাউখুম ওইনা শত্রুঘনসিংহনা রিপুদমন অমসুং মহাক্কী মীওই ৪০গী মায়োক্তসু অদুগুম্লবা এপ্লিকেসন অমসু পীরমখি। পুলিসনা ফজনা ঙাক শেন্নবা হোৎনখি। অদুবু মদুদা অঙ্ক অমা হোৎনখি, মদুদি ৱাফম অদু রিপুদমন অমসুং মহাক্কী মীওই শুপ্নগী ২৫ খক অদুনা য়ারে। মীখলগী মমাংদা কেন্দিদেট অনীমক অমসুং মায়কৈ অনীগী মীওই ২৫/২৫ কোর্টতা পুথোকখি। মেজিষ্ট্রেটনসু মহাক্কী লাইরিক্তা ই মদুদি শত্রুঘন অমদি মহাক্কী পার্টি অদুনা বেলদা থাদোক্লবা হায়রকখিবা ৱাফম অদুগী মতাংদা খল্লম্মী। রিপুদমননা হায়, "জজ সাহব, ঐখোয় কৈদৌঙৈদসু বেল পীরোই। ঐখোয়গী ৱাফম নীংশিংবিয়ু, হয়েং ঐখোয়গী খুঙ্গংদা ফোংনা হাৎন-শুনবা থোক্কনি। অচৌ-অচৌবা বেলনা শত্রুঘনসিংহ অমসুং মহাক্কী গুন্দাশিংবু খৎন-চৈনবা অদুদগী থীংবা ঙম্লোই। ঐখোয়দি য়াম্না চম্না হিংবা লৌউবা মীওইশিংনি। ঐখোয়না মতৌ করম্না মখোয়গা মায়োক্লবা ঙমগদৌরিবনো? মরম অদুনা জজ সাহব, বেল পীবা ঙমদ্রে হায়না ঐখোয়বু জেলদা ওইনা থমজিনবিরো। জেলদা লৈরবদি ঐখোয়গী থৱায় ফাওবদি কনবা ঙমগনি। শুপ্নগী অসিমতংদি তৌবিয়ু জজ সাহব, শত্রুঘননা হায়জরক্লিবা বেল পীনবগী ৱাফম অদু য়াবিরো। ঐখোয়গী মরি-মতাশিংগী মীওই অনী-অহুমদং ওইরবসু লৈহৌনবা মখোয়বু কন্ননবা থৌরাং তৌবিয়ু।" মদুগী মতুংদা দোগতা কোনশিন্দুনা কপ্পবা হোৎনরম্মী।

পুলিসনা হায়নরিবা ৱাফমশিং অদুসু রেকোর্দ তৌশিল্লি। কায়নথংদা মেজিষ্ট্রেটনা দিসিজন অমা লৌখ্রে। মদুদি রিপুদমনসিংহ অমসুং মহাক্কী পার্টি মীখলগী মতমদা জেলদা লৈগনি অদুগা সত্রুঘনসিংহ অমসুং মহাক্কী পার্টিবুনা বেল পীনবগী অয়াবা পীরোই, মখোয়সু জেলদা অদুমক লৈহনগনি।

মতৌ অসুম্না নুমীৎ খরনিগী মতুংদা কেন্দিদেট অমদি মখোয়গী মীওই ২৫/২৫সু শিখ্রে। মদুগী মতুংদা মীখল অদু য়াম্না ঈংনা-চিক্লা সিভিলাইজ ওইবা মওংদা পাঙথোকখি। তোঙান-তোঙানবা কাংলুপশিংগী ৱাহংশিংগী মতুংইন্না মদুদা শত্রুঘনসিংহগী মতেং পাংবশিং য়াম্না নুপা থোক্তবা হায়বদু ওইখি। তশেংনমক খঙবা ঙমখিদ্রে মদুদি মহাক্কী মতেং পাংবশিং অদু খুঙ্গং অদুদা হিংলিব্রা নৎত্রগা হিংদ্রবরা হায়বসু। সোমদনা রিপুদমনগী মায়কৈদগী সর্ভদমন মীখল থেংননবগীদমক শেম শাদুনা লৈরম্মী, মরমদি পুলিসনা ঙাক শেনবা অমদি উকিলগী দিগ্রি অদুগী মতেংনা মহাকপু য়াম্না ঈং-তপ্পা মীওই অমনি হায়না লৌনরম্মী। মহাকপু জেলদা থাজিনবা মথৌ তাই হায়না খনখিদ্রে। মহাক্লা লৈজবি থাদনা মীখল থেংনরম্মী। মদুগী মহয় ওইনা মহাক মীখল অদু কারদুনা অদুগুম্না মীখল থেংনদুনা কাখিবগী ৱারী রামনগরগী পুৱারীদা ময়েক লানা ইদুনা লৈহৌরে।

*মথং মথং ...*

মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।